**AIR, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(DATE 07-10-2023)**

**---অহানবদা মরুওইবা পাউ---**

১) জিরিবাম জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হন্নবা হৌরে।

২) তমেংলোং জিলাদা অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা অমুর ফালকন ফাবা, হাৎপা অমসুং য়োনবা খুদক্তগী থিংখ্রে।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি ।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৩ দা ন্যু দিল্লিদা ৯ শুবা জি টৌইন্তি পার্লিয়ামেন্টরি স্পিকরস সমিট হৌদোক্কনি।

অমসুং

৫) হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ভারতনা তকমান ১০৫ ফংদুনা মেদল তেল্লিগী মরিশুবা মফমদা লৈরি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

------

জিরিবাম (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা জিরিবাম জিলাগী মফম কয়াদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা

মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা ঙরাংদগী হন্নবা হৌরে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং খরগী মীওই ৬৩ রোম অসাম রাইফলস, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোই লুপশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদা থিনবীখি। ঙসিসু হরিনাগরগী চিলদ্রেন হোমদা লৈরম্বা মীওই ৪৩ মখোয়গী মোংবুং লৈকাইদা লৈবা ময়ুমদা হনখ্রে। অদুমওইনমক, বিদ্যানাগরগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদি হৌজিকসু ময়ুমদা হনবা য়াদনা লৈরি।

ফালকন (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেতনা জিলা অসিদা অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা অমুর ফালকন ফাবা, হাৎপা অমসুং য়োনবা খুদক্তগী থিংখ্রে। কনাগুম্বনা অথিংবা অসিবু থুগাইরম্বা থেংনরবদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোতেক্সন এক্ট ১৯৭২গী মখাদা দন্দি ফংগনি হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- মীরমদগী পাইরকপা অমুর ফালকন উচেকশিং তমেংলোং অমদি মসিগা লোন্নবা মফমশিংদা থা অসিগী অনিশুবা চয়োলদগী হৌরগা মথং থাগী অরোইবা ফাওবা লেপ্পুনা পাইরক্কনি। হায়রিবা উচেক অসিবু মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মসিবু হাৎপা অমদি য়োনবা থিংনবা ৱারেপ অসি লৌবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অদুগী ইয়ার গনশিং পায়বা খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী খুৎলায় অদু মরী লৈনবা খুলগী ওথোরিতি ওফিসতা শিন্ননবা খঙহনখ্রে। ইয়ার গনশিং অসি মথং থা ফাওবা ভিলেজ ওথোরিতিদা থমগনি।

অয়ুসমান (এল)ঃ অয়ুসমান ভবাগী শরুক অমা ওইনা চয়োলগী ওইবা হকশেলগী মেলা অমা ককচিং জিলাগী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা হৌদোকখে। মেলা অসি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিং অমসুং শিজ একাদমি ওফ হেলথ সাইন্সেসনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। মেলা মনুংদা স্পেসিয়েল ইনিসিয়েতিভ

প্রধান মন্ত্রি শুরক্সিত মাত্রিতা অভিয়ান (পি.এম.এস.এম.এ)গী শরুক অমা ওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীরোনবী য়াওনা মীরোনবীশিংদা খুদোলপোৎ পীখি। পি.এম.এস.এম.এনা থা খুদিংগী তারিখ ৯ অমদি ২৬ তা মীরোনবীশিংদা খুদোল পীদুনা লাক্লি।

মেলা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং সি.এম.ও ককচিং, টি.ঐচ. রাজেন, ষ্টেট মেটরনেল হেলথকী নোদেল ওফিসার- মিনা সেরাম, ষ্টেট নোদেল ওফিসার চাইল্ড অমসুং গাইনিকোলোজিগী ডাঃ সধনা অমসুং ডাঃ লেনিন অমসুং রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ইন্দ্রধনুস (এল)ঃ ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্র ধনুস (আই.এম.আই) ফাইভ পোইন্ট জিরোগী অহুমসুবা রিভিউ মিতিং ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি ওফিসতা লৈবা কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি.সি, টি.ঐচ. কিরন কুমারনা থা অসিগী ৯ দগী ১৪ ফাওবা চথখগদৌরিবা আই.এম.আই ফাইভ পোইন্ট জিরোগা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। জিলা অসিগী সহর অমসুং খুঙ্গংগী মীওইশিং মশা মউ ফনা লৈহন্নবগীদমক মতম মতমগী ওইনা তিকা থাবগী থবক হেন্না মপুংফানা পায়খৎনবসু খন্নখি।

মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এ.দি.সি- কৈশাম যাদুমনি, সি.এম.ও, দি.এল.ও অমসুং অতৈ মরী লৈনবা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

হাই লাইট (এল)ঃ অকাশবনি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা পুথোকপা ঈগী খোঙ্গুল লিবা থৌরমদা-জারিবোনগী খুল খরগী অহুমশুবা মপাউ হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬ মিনিত ৪০ দা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল- এ.আই.আর ইম্ফালদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

কার্ফিউ(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

রেল্লি (এল)ঃ থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অপুনবা লুপ- তকদালনা শিন্দুনা অহল ওইরবশিংগী ওইবা শান্তিগী খোঙচৎ অমা খোংজোম বজারদগী খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল ফাওবা চৎখ্রে। খোংজোম তুরেলদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংদা তর্পন কৎতুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

তুংদা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপশিং অদু য়াওবা মেমোরেন্দম অমা থৌবাল জিলাগী দি.সি অহন্থেম সুবাশকী খুত্থাংদা রাষ্ট্রপতিদা পীশিনখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি পিছ কম্মিতি ৱাংখৈ কেন্দ্রগা খুৎশমদুনা থা অসিগী ৫ দগী চত্থরকখিবা য়েন লোইবগী স্কিল দিভলমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ ক্বাথাদা লৈবা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তরদা ঙসি মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। দি.সি. তেংনৌপল, এস.দি.ও মোরে অমসুং সি.এম.ও তেংনৌপলনা পুন্না শিনবা কেম্প অদুদা ডোক্তর ৮ না ক্বাথা খুনৌ অমসুং ক্বাথা খুল্লেনদা লৈবা মীওই ১৫০ রোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকসু লেমা য়েন্থোকখি। কেম্প অদু হৌদোকপদা এস.দি.ও মোরে, ইজাজ হাসননা হায়- দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ক্বাথা মীয়ামগীদমক মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ। মহাকা কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা ডোক্তর অমসুং মতেং পাংলকখিবা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

একজাম (এল)ঃ ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভকী কম্পার্টমেমেন্টল পরিক্ষাদা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংনা মখা তানা মহৈ তমথবদা খুদোংচানবা মহৈ লোইশঙশিংনা সিট খরা খাক্তুনা থম্বীনবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না আপীল তৌরি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কলচর দিপার্টমেন্ট ওফ ভিজ্য়েল আর্টনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল আর.টি.আই পেন্টিং কম্পিতিসনগী ফল লাউথোক্লে। ইম্ফাল আর্ট কলেজগী দিজেন্দ্র লাইশ্রমনা অহানবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী কৈথেল্লাকপা সাইলেস অমসুং লাইশ্রম বিপিন সিংহনা অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা তারে।

থবক (এল)ঃ দিরেক্তোরেট ওফ এগ্রিকলচরনা নেসনেল মিসন ওন ইদিবল ওইলগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ফম খরা লৌনবগী ফোর্ম থাজিল্লকবগী মতম থা অসিগী ২০ ফাওবা শংদোক্লে হায়না দাইরেক্তোরেট অসিনা খঙহল্লক্লি।

সিক্কিমঃ সিক্কিম দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা রাজ্য অদুদা ঈশিং ঈচাওনা শিখিবা মীগী মশিং ২৭ শুরে, মীওই ১৪১ না থিবা খঙদ্রি। মসিগী মনুংদা আর্মি পার্সোনেলশিংসু য়াওরি।

রাজ্য অদুগী য়ুম লিশিং ১,১৭৩ রোম ঈচাউনা মরম ওইদুনা মাং তাকহনখ্রে। মীওই লিশিং ২,৪১৩ কনবা ঙমলে অমসুং ২৬ না শোক্লে। তিস্তা তুরেল চাউখৎলকপনা মরম ওইদুনা থোং ১৩ তাউথখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-পেমা সিংহ তমাংনা মিংতোকগাংদা লৈবা মহাক্কী ওফিসিএল রেসিদেন্সতা অৰাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা বোর্ডর রোড ওর্গনাইজেসনগী দাইরেক্তর জেনরেল-লেফটনেন্ট জেনরেল-রাঘু শ্রীনিভাষন য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা সিক্কিম উরজা লিমিটেদকা খুৎশমদুনা ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিংগী মীওইশিংগীদমক স্পিসিএল ফাইনান্স রিলিফ পেকেজ অমা শেমখ্রে। মহাকা হায়-মনগন জিলাগী ওইনা লুপা কোতি ২৫ গী রিলিফ পেকেজ অমদি গেংতোক, পাংয়োং অমসুং নামচি জিলাগী লুপা কোতি ১৫ গী রিলিফ পেকেজ পীখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মহাকা মফম অদুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু চত্তুনা মীওই কয়াগসু উন্নখি।

ঈচাওনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিংদা লুপা লাখ মরিগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়রি। রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদনা খুদক্কী ওইনা শিজিন্ননবা লুপা লিশিং অনি অনি পীরগনি হায়রি।

নাগালেন্দঃ নাগালেন্দগী তুয়েংশাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা সরকারগী খ্বাইদগী ফবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মনা কয়াক্লপ এৱার্ড-২০২২-২৩ পীরগনি। তুয়েংশাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি ইকো-ফ্রেন্দলি এৱার্ডসু ফংলে।

নাগালেন্দগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-পি.পায়ৱাং কোনয়াকনা হায়-কয়াক্লপ মনা ফংল্লক্লিবা অসি হকশেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা কাংলুপ খুদিংমকা অচৌবা থৌদাং লৌবদগীনি হায়না শিংথাখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৩ দা ন্যু দিল্লিদা ৯ শুবা জি টোইন্তি পার্লিয়ামেন্টরি স্পিকরস সমিট হৌদোক্কনি।

নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মীফম অসি দুৱারকারগী য়েসোভুমিদা হন্দক্তা নৌনা শাখিবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কনভেন্সন এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোক্কনি।

লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা ন্যু দিল্লিদা সমিট অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা হায়- মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা স্পিকর ২৫, দিপ্যুতি স্পিকর ১০, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৫০ শরুক য়াগনি।

পিএম ঃ হন্দক চহিগী ভারতকী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা থৌরাং কয়া অদুগী মতাংদা ঙসি অমুক হন্না য়েংশিন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু প্রধান মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি।

নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী লাইরবা ইমুংগী য়ুম শাবদা পুথোকপা ঙম্বা শেনফমশিং পীনবা হোৎনরগনি হায়বগী ব্রাফম লাউথোকখিবনি। মসিগা মরী লৈননা থৌরাং অদু করম্বা মওংদা চত্থরি হায়বগী মতাংদা ঙসিগী মীফম অদুদা খন্নখি। মসিগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা য়ুমথোঙ খুদিংগী সোলার পৱার থমবা লাউথোকখিবা অদুগী মতাংদসু স্কিম অদু মতৌ করমা চত্থরি হায়বগী মতাংদসু খন্নখি।

সিতারমনঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিদা ৫২ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলগী মীফম হৌদোকখ্রে। নিউ দিল্লিগী সুস্মা স্বারাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী শেল থুম মন্ত্রিশিং, কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী শেল থুমগী রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কজ চৌধুরিসু মীফম অসিদা শরুক য়াখি।

৫২ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফম অসি মমাংগী মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুং থা অনি লৈরগা ঙসি পাঙথোকখিবনি।

তেলঙ্গনা ঃ তেলঙ্গানা সরকারনা, সরকারগী স্কুলশিংগী মথক্তা পঞ্চায়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংনা লিংবা স্কুলশিং য়াওনা স্কুলগী মহৈরোইশিংদা চীফ মিনিস্তরস ব্রেক ফাষ্ট স্কিমগী থৌরাং চৎনবা হৌখ্রে।

রাজ্যগী আই.টি. মন্ত্রি-এ.তরাকারামা রাওনা হায়দ্রবাদকী সরকারগী হায়স্কুল অমদা স্কিম অসি হৌদোকপা ওইনা মহৈরোইশিংগা ব্রেক ফাষ্ট চামীন্নখি। থৌরম অদ্দা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-স্কিম অসিনা রাজ্য অদুগী সরকারগী অমদি পঞ্চায়েটি রাজ স্কুল লিশিং ২৭ হেনবগী মহৈরোই লাখ ২৩ হেনবদা

কান্নবা ফাংহল্লগনি। থৌরাং অসিগীদমক সরকারনা চহিগী ওইনা লুপা কোতি ৪০০ গী মথক্তা চাদিং তৌরগনি হায়রি।

মহারাস্ত্র ঃ মহারাস্ত্রগী মখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা মুম্বাইগী গোরিগাউদা বিল্ডিং অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ মঙাগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোকপা মীওইশিংসু সরকারনা লেমা লায়েংলগনি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা হিন্দু হ্রিদয়া সমরাট বালা সাহেব থাক্রে ত্রোমা কেয়ার সেন্টরদা চৎতুনা অশোকপা মীওশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা পাউমীশিংদা হায়-থৌদোক অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা থিজিল্লগনি অমসুং মদুগী রিপোর্ট অদু হেক ফংবগা মখা তাবা থবকশিং লৌখৎলগনি।

ইজরেল ঃ পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট হমাসনা গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট কাপশিল্লক্তুনা ইজরেলদা লান্দারকপদগী ইজরেল দিফেন্স ফোর্সেস (আই.দি.এফ)না লৈবাক অদুদা ষ্টেট ওফ ৱার লাউথোকখ্রে।

হমাস মিলিটেন্টনা খা থংবা ইজরেলদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা নারোনদা চংশিল্লক্তুনা রোকেট লিশিং কয়া ইজরেলদা কাপশিল্লকখি। ইস্লামিক মুভমেন্টনা ইজরেলদা তৌরকপা এটেক্তা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী চাউবা এটেক ওইরি। হমাসনা খঙহৌদনা খুলায় পায়বা মিলিটেন্ট কয়া য়াওনা চখুরকপা এটেক অসিদা নুপী অমা শিরে, অদুগা মীওই ১৫ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি। ইজরেল পুম্বদা ইয়ার রেদ সাইরেন খোংবগা লোয়নননা আই.দি.এফনা গজা বোর্দরগী মফম কয়াদা মিলিটেন্টশিং নারোনদা চংশিল্লকখ্রে হায়বা ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

অমরোমদা, ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইজরেলদা টেরর এটেক চখুরকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা ইজরেলগী মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুং তেক্ত কায়দনা লৈনবা থৌনিজরি।

গেমস ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ভারতনা তকমান ১০০ হেন্না লৌরকপদা শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- এসিয়ান গেমসতা অহানবা ওইনা ভারতনা তকমান ১০০ ফংবা ঙম্বা অসি অনৌবা ইতিহাস অমা ওইরগনি। শান্নরোইশিংগী মথৌনা অমসুং হোৎনবা কনবা অদুগীদমক থাগৎলদুনা তুংদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি অনুরাগ সিংহ ঠাকুরনসু তকমান লৌরক্লবা ভারতকী শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

গেমস অসিদা ভারতনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী ২৮, লুপাগী ৩৬ অমসুং সেঞ্জেংগী ৪১ পুন্না তকমান ১০৫ ফংদুনা মেদল তেল্লিদা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

চাইনানা সনাগী ১৯২, লুপাগী ১০৬, শেঞ্জেংগী ৬৬ পুন্না তকমান ৩৬৪ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। জপান্না সনাগী ৪৮, লুপাগী ৬২, শেঞ্জেংগী ৬৭ পুন্না তকমান ১৭৭ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং খা কোরিয়াদা সনাগী ৩৯, লুপাগী ৫৫, শেঞ্জেংগী ৮৯ পুন্না তকমান ১৮৩ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

------